# ৱর্ল্ড কপ ফুটবোল ২০১৮

—লৈশাংথেম অজিৎ—





**রসিয়নশিং** অসি ফুটবোল শান্নবদা অতৈ য়ুরোপকী লৈবাকশিংগুম্না থৱায় য়াম্না য়াওই। কুমজা ১৯৮০দা লৈবাক অসিগী কোনুং মোস্কোদা পাঙথোকখিবা ওলেম্পিক গেমসতা মালেমগী মমিং লৈরবা শান্নরোয়শিং ওলেম্পিক্কী ফুটবোলদা শরুক য়াদুনা ফুটবোলগী অচৌবা কুম্মৈ অমা য়েংবা ফংগনি হায়না হরাউজরুবা মঙলান অদু অমেরিকাগী মতম অদুগী প্রসিদেন্ট জিমি কার্টরনা লুচিংদুনা লৈবাক অদুগা (অমেরিকা) নক্না মরী লৈনবা লৈবাকশিং মোস্কো ওলেম্পিক অদুবু বোয়কোট তৌখিবা মরম্না নোংচুপ লৈবাকশিং হায়বদি য়ুরোপ অমসুং লেটিন অমেরিকাগী লৈবাকশিংদা লৈবা মতিক মগুন লৈবা শান্নরোয়শিং শরুক য়াগদবদা বোয়কোট অদুনা মরম ওইদুনা মোস্কোদা শরুক য়াখিদে। মরম অদুনা ওলেম্পিক অদুগী ফুটবোল অদু মহাও য়াওদনা লোইশিনখি। মরম অদুনা হৌজিক রসিয়াদা পাঙথোক্লিবা ৱর্ল্ড কপ ফুটবোলগী অথোই অহেন তান্নবা অসিদা লৈবাক অসিগী মীপূম খুদিংমক্না টুর্নামেন্ট অসিবু মতিক চানা থাক ৱাংনা পাঙথোক্নবা হোৎনরি।

ফাইনেল রাউন্দগীদমক খনগৎলবা টিম ৪২বু গ্রুপ ৮ থোক্না খাইদোক্তুনা গ্রুপ অমমমদা টিম মরি/মরি থমদুনা রাউন্দ রোবিন সিষ্টেমদা জুন ১৪দগী হৌনা শান্নহন্দুনা টিমশিং অসিনা মথংগী রাউন্দ চঙনবা মখোয়গী লৈজবা মপাঙ্গল, মরৌশিং অমদি মথৌনা ফুদোক্তুনা মরাইবক চাংয়েংনরি। চাংয়েং তৌনবগী অহানবা খোঙথাংদা মরৈবাক্কী মীংচৎ পুরক্নবা হোৎনরিবা টিমশিংগী মনুংদা হৌখিবা কুমজা ২০১৪দা ব্রাজিলদা পাঙথোকখিবা ৱর্ল্ড কপ অদুগী চেম্পিয়ন ওইখিবা জর্মনিবু জুন ১৭তা মেক্সিকোনা পাঞ্জল ১-০দা মায়থীবা পীখিদুনা লৈবাক অসি নীংবা কায়হনবগী মচাক অমা ওইখি।

মেচ শান্নবা হৌরকপগী মিনট ৩৫ শুরকপদা মেক্সিকোগী ফোরৱার্দ হিরভিং লোজানোনা পাঞ্জল অমা চনখিবদা মেক্সিকোগী মথৌনা হাপকৎখি। জর্মনিনা পাঞ্জল অদু হন্দোক্নবা হোৎনবদা শান্নবা লোইখিবনা হানখি। মরম অসিনা লৈবাক অসি মায়থীবা ফংখিবগীদমক জর্মনিগী মরুওইবা পাউচেশিংগী হেদ্দিংদা লৈবাক অদুগী মমীং চৎখিবা থৌদোকনি হায়না ৱাহৈ ৱাতা কয়ামুক শীজিন্নদুনা ইরি। লৈবাক অদুগী 'বিলদ' কৌবা পাউচেদা 'Jogi, day was a world cup boycott' হায়না হেদ্দিংদা ফোঙখি। Jogi হায়বদি জর্মনিগী কোচ Joachi Low বুনি।

পাউচে অদুদা অসুম্না ইরকখি মদুদি জর্মনিগী টিম অসি চহী অসিগী ওইনদি দিফেন্স খ্বাইদগী ফত্তবনি, এটৈক্তি কন্না তৌই, অদুবু মিদফিল্ডদা লৈরিবশিংদি অদুমক য়েংদুনা লৈ। মপাঙ্গল মথৌনা উৎপা ঙমদে। চহী মরিগী মমাঙদা ব্রাজিলবু পাঞ্জল ৭-১দা মায়থীবা পীখিবা টিম অসিনা বোল য়াম্না হৈবসু নত্তবা মেক্সিকোগী মখূৎতা পাঞ্জল ১-০দা মায়থীবা ফংখিবা অসি লাইবক থীবনি। থাংজ নুমিৎতা স্বিদেনগা শান্নগদবা অসিদা মায়থীবা পীগদবনি হায়না ইরকখি। চেম্পিয়ন অসি হৌগদবা থা তরুকলোম অসি জর্মনগী টিমগা অতৈ লৈবাক্না ফুটবোল শিংনবদা খা অফ্রিকাখক্তমক থোইবা ঙমখি হায়রি।

'দি ৱেলট' কৌবা জর্মনিগী পাউচে অমদা অসুম্না ইরি মদুদি করম্বা ফলস ষ্টার্টনো। মেক্সিকোগা লৈবাক অসিগা ১১রক শান্নবদা মেক্সিকোনা অমুক্তমক থোইখি। অদুবু জর্মনিগী অশাদি চাউনা অদুমক লৈরি। কুমজা ১৯৮২দা স্পেন্দা পাঙথোকখিবা ৱর্ল্ড কপকী অহানবা রাউন্দদা জর্মনিবু অলজেরিয়ানা থোইখি। অদুবু ফাইনেল চঙদুনা ইটালিগা শান্নবদা অনীশুবা পোজিসন ফংখি। হান্নগী চেম্পিয়ন অমনা অহৌবা নুমিৎতা মায়থীবা ফংখিবা অসি কুমজা ২০০২দা ফ্রান্সকী টিম অমসুং কুমজা ২০১৪দা স্পেননি। হন্দক্কী থৌদোক অসিগী মতাংদা পাউচে অমদা অসুম্না ইরি মদুদি হিরভিং লোজানোনা পেনালটি এরিয়াদা হেভিয়র হুরনানদেশকী পাস অমা পীরকপদা মেসুর ওজিল লাম্থোক্তুনা গজ ১০ ৱাৎলিঙৈদগী গোল পোষ্ট মনুংদা কাওশিন্দুনা গোলকিপর মানুৱেল নেভরবু মায়থীবা পীখি।

হন্দক্কী ৱর্ল্ড কপ অসি নোংপোক থংবা য়ুরোপ্তা পাঙথোকপা অহানবনি। তৌইগুম্বসুং য়ুরোপকী ওইনদি ১১রকশুবনি। রসিয়া অসি য়ুরোপ অমসুং এসিয়া মহাদেশ অসিদা শন্দোক্না লৈবা মরম্না ২২শুবা ৱর্ল্ড কপ অসি মহাদেশ অনীদা পাঙথোক্লি। মহাদেশ অনীমক্কী সহরশিংদা শান্নফম ষ্টেদিয়মশিং থম্মী। মরম অসিনা হন্দক্কী অসিনা শেল চাদিং খ্বাইদগী তৌবা ৱর্ল্ড কপনি। দোলর বিল্লিয়ন ১৪.২ চাদিং তৌবগী বজেট অমগী মনুংদা খরচ তৌগদবনি।

ৱর্ল্ড কপ ফাইনেলগী টুর্নামেন্ট হৌদোকপগী থৌরমদা থোয়দোক হেন্দোক্না মতম মাঙহন্দনা, মতম লিক্না শীজিন্নদুনা রসিয়াগী প্রসিদেন্ট ভ্লাদিমির পুটিন্না ৱাহৈ খরা হায়রবা মতুংদা ৱর্ল্ড কপ ফুটবোল অদু হৌদোক্লে হায়না লাউথোকখি। মহাক্না হায়খিবা ৱাহৈ খরা অদুদি : মফম অসিদা ফুটবোল অসি তশেংনা নুংশি, মসিবু হেক উবদা 'নুংশিবা' হায়না কৌনৈ। ঐনা আশা তৌই মদুদি ফেন অমসুং শান্নরোয়শিং অমদি টিমশিং রসিয়াদা লৈবা অসি নুংঙাই হায়না খল্লি। মফম অসি পীজ-পীথক ফজবা মরুপ ওইবা লৈবাক অমনি।


করম্বা টিম্না ৱর্ল্ড চেম্পিয়ন ওইগনি হায়বা অসি মালেম পূম্বনা হংনরিবা ৱাফম অমা ওইরি। হীরম অসিদা পূক্নিং চঙবা লূপ কয়ামরুম্না থিজিনবা হোৎনরি। মখোয়গী মনুংদা গোল্ড মেন সাচসু অমনি। য়ু বি এস: ইনভেষ্টমেন্ট বেঙ্কিং কম্পেনি সুইটজ মল্টিনেসনল ইনভেষ্টমেন্ট বেঙ্ক এন্দ ফাইনান্সিয়েল সর্ভিসেস কম্পেনি : Gem Nomura holding কৌবা ফাইনান্সিয়েল হোলদিং অমনদি ফ্রান্স, ব্রাজিল অমসুং স্পেনবু চেম্পিয়ন ওইগনি হায়না খন্দোক্তুনা থল্লি। মখোয়না লমায় ৪৯ পানবা দেটা, ইন্দিভিজুয়েল প্লেয়র, মখোয়গী লমচৎ, মশান্না, ইমুং মনুংগী হৌরকফম পূম্নমক এনালাইস তৌরগা চে অদু ফোঙখিবনি।

# নীংতম্বা তানবা অনীগী খেন্নবা

-ডা. ঙাঙবম শান্তিকুমার মীতৈ-






**মালেমসিদা** মনীংতম্না হিংনীংদবা কনাসু লৈতে। অদুবু অপীকপা, অশোনবা ফুরুপ নৎত্রগা লৈপাক কয়াদি অচৌবা, মপাঙ্গল কনবা ফুরুপ নৎত্রগা লৈপাক কয়াগী মখাদা তুহৎপীদুনা থল্লি মালেমগী মফম কয়াদা। মফম কয়া অমদি লৈখ্রে মালেমসিদা নীংখা তম্নবা হোৎনরিবা লৈবাক কয়া অদুবু ঙসিগী ওইনদি ঐহাক্কী নুংশিরবী পোক্নফম লমদম ইরমদম কংলৈপাক অমদি ঐহাক্না হৌজিক হৌজিক ঐহাক্কী অনীশুবা ইয়ূম অমগুম লৈজরিবা টাইৱান অনীসিগী নীংতম্বা তান্নবগী মান্নবা অমদি খেন্নবশিং শন্নপ্না থমজগে মীয়ামগী মফমদা।

টাইৱান্না ম্যেনলেন্দ চাইনা নৎত্রগা পিপলস রিপব্লিক ওফ চাইনা (পি আর সী) দগী নীংখা তম্নবা হোৎনরকপসি চহী ৩০ খরা হেনজিল্লক্লে। টাইৱান্দা কনানা নীংখা তম্নবা তান্নরি হায়বা ৱাহং অমা থম্বা য়াই মতাংসিদা। টাইৱানগী নীংখা তম্বসি হৌজিক হৌজিক পাল্লিবা দিমোক্রেটিক প্রোগ্রেসিভ পার্টি (দি পি পি) হায়রিবা পোলিটিকেল পার্টি অসিনা টাইৱান অসি ম্যেনলেন্দ চাইনাদগী নীংখা তম্না হিংবা পাম্মী। পার্টি অসিগী নীংখা তম্বগী ৱাখল্লোন অসিনা মরম ওইদুনা চাইনাগা মরী য়াম্না ফত্তনা লৈরি হৌজিকসি। অদুবু মমাঙগী লৈঙাক পায়রম্বা, হৌজিক্না ম্যেন ওপোজিসন্দা লৈরিবা কৌমিন্তাং (কে এম টি) হায়রিবা পোলিটিকেল পার্টি অসিনদি টাইৱান অমদি চাইনা অনী অসি 'ৱান কন্ত্রি টু সিষ্টেমস' হায়রিবা পোলিসি অসিবু ইন্দুনা চৎপা পাম্মী, হায়বদি নোংমদি টাইৱান অমদি চাইনা শোয়দনা পুনশিনগনি হায়বগী ৱাখল্লোন্দা। কে এম টিগী আইদিওলোজিদি ম্যেনলেন্দ চাইনাসি কুমজা ১৯১২দা শেমখিবা রিপব্লিক ওফ চাইনা (আর ও সী) গী শরুক অমনি হায়না অদুম লৈরি। চাইনা অসি আর ও সীগী শরুক অমা ওইরম্মী কম্যুনিষ্ট চাইনানা কৌমিন্তাংবু মায়থীবা পীদ্রিঙৈগী মমাঙদনি। মায়থীবদুনা মরম ওইদুনা Chiang Kai Sek না কৌমিন্তাং আর্মি লিশীং মরিফুমুক পুরগা টাইৱান্দা চেল্লকখিবনি। মহাক্কী ৱাখলদদি নোংমদি ম্যেনলেন্দ চাইনা অসি শোয়দনা অমুক কৌমিন্তাংগী মখাদা লৈরকখিগনি হায়দুনা লাকখিবনি।

চহী ৩০ হেন্না মরু ওইবা পোলিটিকেল পার্টি অনী অসিগী খেন্নবা ৱাখল্লোন অসিনা মরম ওইদুনা টাইৱান হায়রিবা লমদম অসিগী মীওইশিংবু কাঙলূপ অনী থোক্না খায়দোকপীরে - চাইনাদা তিন্নীংবা কাঙলূপ অমদি তিন্নীংদবা কাঙলূপ হায়না। মতাংসিদা থমজনীংলিবা ৱাফমদি অসিনি - টাইৱানগী চাইনিজশিং অসিনা চাইনাগী চাইনিজদগী হায়বদি মখোয়গী মপা মপূশিংদগী নীংখা তম্বা হায়বসিবু চুল্লিব্রা নৎত্রগা লাল্লিব্রা হায়বা ৱাহংসিনি। হায়বদি, টাইৱান্দা লৈরিবা মীওইশিং অসি চাদা ৯৮দি চাইনিজ ঙাক্তনি, হায়বদি চাইনাদগী লাকখিবা অমদি মখোয়গী মচা মশু ঙাক্তনি। অদুগা লেমহৌরিবা চাদা ২ অসিসু আ মমাঙঙৈদা চাইনারোমদগী লাকখিবনি হায়না থাজনৈ। মালেমগী মফম কয়াদা দিভাইদ এন্দ রুল্দ পোলিসিগী মখাদা থুগাইরম্লবা তোঙান তোঙান লৈরক্লবা লৈপাক কয়া পুনশিনখ্রে অদুগা পুনশিন্নবসু হোৎনরি। চয়োল খরগী মমাঙদসু নোর্থ কোরিয়া অমদি সাউথ কোরিয়া হকথেংননা উনদুনা ৱারী শানখ্রে। মরমদি নাকল অনীমক কোরিয়ান রেস ঙাক্তনি। চহী খরগী মমাঙদা ইষ্ট অমসুং ৱেষ্ট জর্মনি পুনশিনখ্রে, মরমদি ইষ্ট অমদি ৱেষ্ট জর্মন রেস ঙাক্তনি। অসুম্না মালেমগী মফম কয়াদা মখোয় মখোয়গী ওইবা মীওইশিং, ফুরুপশিং পুনশিন্নবা হোৎনরিঙৈসিদা টাইৱানগী হৌজিক পাল্লিবা পার্টি অসিনা মখোয়গী হৌরকফম অমদি মমা মপা ওইরিবা চাইনিজদগী নীংখা তমগে, মরী ককথৎকে, নখোয়গা পূন্না লৈবা পামদে হায়রিবসিদি চূম্মী হায়না লৌবা ঙমদে। মসিদি মখোয়গী পোলিটিকেল পাৱর অমদি চাইনিজশিংগী মরক্তা নুংশিনদনবা হোৎনবগুম উই হায়বদা হায়মনবা থোক্লোই খল্লি। টাইৱানগী হৌজিক হৌজিক পাল্লিবা দিমোক্রেটিক প্রোগ্রেসিভ পার্টি অসিনা জপান অমদি অমেরিকাগা খূৎশম্ননা চৎতুনা চাইনাদগী তোখায়না চৎপা পাম্মী। লুরিবদি, চাইনানা টাইৱানবু মখোয়গী মচিন মনাওগুম য়েংবীরিবা অসিগুম্না জপান অমদি অমেরিকানদি কৈদৌনুংদা য়েংদে, য়েংলোই হায়বসি পার্টি অসিনা খঙলবসু, উরবসু উশিন্নদে, খঙশিন্নদে। জপান অমদি অমেরিকানা পাল্লিবদি টাইৱানগা ব্যুজিনেস তৌদুনা খূৎলায় অমদি পোৎচৈ য়োনশিন্দুনা শেল লৌথোকপা অমদি অমেরিকাগী ওইবা ৱার বেজশিং থমজিনবদুনি। মসি চাইনানা নীংথিনা উবা ঙম্মী। হিষ্টোরিদা য়েংলুবদা, টাইৱান অসি সেঞ্চুরি ১৭তা দটচ ললোনবশিংনা লাক্তুনা টাইৱানবু লৌশিন্দুনা মখোয়গী লৈঙাক শেমদ্রিঙৈ মমাঙদগী ১৫,০০০ হেনবা হান চাইনিজ অমদি হাক্না চাইনিজশিংনা খুন্দাদুনা লাকখ্রবা ঈথৎ অমনি। শাংলবা হিষ্টোরিসি শমজিন্দুনা য়েংলবদা, সেঞ্চুরি ১৭তগী দটচকী অমদি স্পেনিশকী ললোনবশিংনা টাইৱানগী শরুক খরা খরা লৌশিন্দুনা মখোয় মখোয়গী মফম কনশিনলবসু মীং অমদি Qing Dynasty না টাইৱান অসি ঙাক্তুনা, পান্দুনা লাকখি। অদুবু ১৮৯৪-৯৫ Sino Japanese War দা জপানগী মখূৎতা মায়থীবা নংদুনা টাইৱান অসি ১৮৯৫দগী ১৯৪৫ ফাওবা, পূন্না চহী ৫০ জপানগী মখাদা লৈরকখি। সেকেন্দ ৱর্ল্ড ৱার ১৯৪৫তা জপানবু মায়থীবা পীবদগী টাইৱান অসি রিপব্লিক ওফ চাইনা (আর ও সী) গী মখাদা অমুক লাকখি। হিষ্টোরিসি শন্নপ্না থমজবগী মরমদি টাইৱান হায়বসি চহী কয়া কয়াদগী চাইনিজশিংগা খূৎশম্নদুনা নৎত্রগা পূন্না লাক্লে হায়না থমজবনি। অসুম্না হীরম খুদিংমক্তা হায়বদি, নাৎতা, লাইনীং-লাইশোন্দা, লোলদা, শক্তা-চুদা, মপা-মপূ, মরী-মতা, হৌরকফম্নচিংবা থিজিনবদা টাইৱানগী মীয়ামসি চাইনিজকী চারোন-শুরোন ঙাক্তনি হায়না তাক্লি, উৎলি। অদুনা, পাল্লিবা দি পি পি লৈঙাক্না তাল্লিবা নীংতম্বা হায়বসি মীচম মীয়াম খুদিংমক্না পাম্বা নত্তে, মিল্লিয়ন ২৩ লৈবদা চাউরাক্না মীওই মিল্লিয়ন ২গুম্বনা নীংতম্বা পাম্লম্বা য়াই, অতৈ মীওই মিল্লিয়ন ২১ অমদি চাইনাগা পূনবদা করিসু অথিংবা লৈতে হায়না উবা ঙম্মী।

ঐখোয়গী ইরমদমগী য়াওল্লূপশিং অসিনা মতম শাংনদগী, হায়বদি চহী ৭০মুক নীংখা তম্নবা ইন্দিয়াগী মায়োক্তা লাক্লিবসিনা চুল্লিব্রা নৎত্রগা লাল্লিব্রা হায়বদু হাইফেৎতং য়েংসি। টাইৱান্দনা পোলিটিকেল পার্টি অমনা মখোয়গী মমা-মপা, মচিন-মনাও ওইরিবা ম্যেনলেন্দ চাইনিজশিংদগী তোখায়না তানবা হোৎনরি, মৌ অনৌবীনা তোঙান চানীংবগুম। অদুগা ইরমদম কংলৈপাক্তনা নীংতম্বা তাল্লিবসি মীচম মীয়ামগী মায়কৈদগীনি, পোলিটিকেল পার্টিদগী নত্তে। টাইৱান্দনা ১৯৯২দা চাইনাগা য়ানখিবা খূৎয়েক্কী ৱাংমদা চৎতুনা পাল্লিবা লৈঙাকসিনা তাল্লি নীংতম্বা। অদুবু মখোয়বু কনানসু লাল্লি হায়না ফাবা পূনবা অমদি জেলদা থম্বা লৈতে। অশেংবদি মখোয়না তৌরিবসি য়াম্না লাল্লিবনি। অদুগা ইরমদমদনা, নীংতম্বা তাল্লিবা য়াওল্লূপশিং অসিবু ইন্দিয়ন কন্সটিট্যুসনগী মায়োক্তা তানবা পান্দমনি হায়দুনা মখোয়বু লোগী ৱাংমদা লৈবা কাঙলূপনি হায়দুনা অফংবা তাঞ্জাদা পাল্লি পাল্লিবা ইরমদমগী লৈঙাক্তুনা মখোয়বু ফাদুনা ওৎ নৈ, হাৎলি নৎত্রগা জেলদা ফাজিন্দুনা থম্মী। মখোয়গী মায়োক্তা অরানবা পাউ কয়া শন্দোক্তুনা মখোয়বু মীয়ামদগী লাপ্না থম্নবা লেপ্পা লৈতনা হোৎনরক্লি। মসিসু মখোয়গী তৌফম থোকপা মথৌনি হায়জনীংই, মরমদি ইন্দিয়াগী মখাদা লৈদুনা মখোয়গী মরল-মথুম চারুরবনিনা মপূগী য়াথং ইন্দবদি য়াদে।

য়াওল্লূপশিং অসিনা তাল্লিবা পান্দমসিনা করিনো? মখোয়গী পান্দমদি 'ঐখোয় হান্না নীংখা তম্না হিংজরম্বা লৈপাক অমনি, ঐখোয় হান্নগুম অমুক লৈজগে হায়বনি'। মখোয়না তাল্লিবা পান্দমসি হান্না ইন্দিয়াগী শরুক অমা য়ানীংনা ওইদুনা লাক্লগা মখোয়দগী তোঙান তাগে হায়বগী ৱাফমদি নত্তে। হান্না মতম শাংনদগী ইন্দিয়াগী শরুক অমা ওইদুনা মখোয়গা হৌরকফম অমদি লোলদা, নাৎতা মান্ননা লাকখিবা ওইরগদি মখোয়না তাল্লিবা পান্দমসি লাল্লি হায়বা য়াই। অদুবু মদুমক্তি ওইদ্রে হায়বসি মীয়াম পূম্বনা খঙনরবা ৱাফমনি। বৃটিশ কোলোনিএল রুলনা ইন্দিয়া, পাকিষ্টান অমদি অতোপ্পা কংলৈপাক্নুম্বা প্রিন্সলি ষ্টেট কয়া অমবু নম্ফুদা খূৎয়েক পীহন্দুনা ইন্দিয়াগী মখাদা লৈহনখিবা অসি হৌজিক্তি মীয়াম্নসু খঙনরবা ৱাফমনি। শাংখ্রবা চহী ৩৫০ মুক্কী পুৱারীদা ঐখোয়গী লৈজরম্বা নাৎ, লাইনীং-লাইশোন অমদি হৌন-লোনচৎ কয়াবু মপান্দগী লাকখিবা মীয়ানচাশিংনা মাঙহন তাকহনখিবগী ৱারী ময়াম্নসু তাবিরে, খঙনবীরে। মদুগী মতুংদা ১৯৪৭তা বৃটিশ কোলোনিএলদগী নীংতম্বা ফংলবা মতুংদা অমুক কংলৈচাশিংবু অপংবা শিদুনা অমদি কিহন্দুনা ইন্দিয়াদা তিলহল্লে। হোই মসিদি মালেমগী মফম কয়াদা থোক্লিবা থৌদোকনি খন্দুনা থল্লসি। অদুবু কংলৈচাশিংনা করিগীদমক ইন্দিয়াদা পূন্না লৈমিন্নবা পামদ্রিবনো হায়রবদি মখোয়না ঐখোয়বু করম্বা মীৎয়েংদা য়েংবগে হায়বদুনি। আ চহী ৩৫০ মুক্কী মমাঙদগী ঙসি ফাওবদা মখোয়না ঐখোয়দা য়েংলিবা মীৎয়েং, চৎলিবা লিচৎশিং অসি ঐখোয়দা অপাম্বা অমদি অপেনবা অমত্তা য়াওদে- মখোয়না ঐখোয়বু চাওখৎতবনি, উমংদা লৈবা মীওইশিংনি, মী অপীকপা, মনাতোন নম্বা, অপংবা কাঙবুনি হায়বগী মীৎয়েংদা অদুম য়েংদুনা লাকখি, য়েংলি ঙসিসু। করিগুম্বা মখোয়না ঐখোয়দা অফবা, অচুম্বা, নুংশিবা মীৎয়েংদা য়েংবিরম্লবদি কনানবু মখোয়দগী তোঙান্না লৈগে হায়গদৌরিবনো।

অদুগা অতোপ্পা অমনা, ঐখোয়গা মখোয়গসি হীরম খুদিংমক্তা মান্নদবা অদুনসু মখোয়না ঐখোয়বু হন্থনা য়েংবগী মরমনি। মখোয়না তৌবদু তৌদ্রদি ঐখোয়বু অদুম হন্থনা অদুম য়েংলে, লাল্লে। করম্নসু মান্নগদৌরিবনো। মখোয়না কাঙলূপ অমনি অদুগা ঐখোয়না কাঙলূপ অমনি। হীরম খুদিংমক্তা ঐখোয়গী ওইবা মতিক চানা লোইনা লৈজৈ, করিসু ৱাত্তনা।

নীংখা তম্বগী ৱাফমদা হঞ্জিল্লকপদা, মখোয়গা ঐখোয়গা হীরম অমত্তদা মরী লৈনদে, হৌরকফমসু মান্নদে, লোলদা, নাৎতা, চাকচা-য়ুথক, ফিজেৎ-চাকচা, হৌন-লোনচৎ, চিঞ্জাক অমদি অইং-অশা, লম্মীৎ-তুম্মীৎ খুদিংমক খেন্নে মখোয়গা। অদুগা ঐখোয়না পামদুনা, য়ানীংনা য়াদুনা মখোয়দা য়াওখিবসু নত্তে, নম্ফুদা খূৎয়েক পীহন্দুনা য়াওনীংদা য়াওনীংদা য়াওখিবনি হায়বসি হৌজিক্তি মীয়াম অয়াম্বনা খঙনরক্লে। মসিদা য়াওল্লূপশিংনা ঐখোয়দি মখোয়গা পূন্না লৈবসি পামজদে, হান্নগী নীংখা তম্না লৈজরকপা অদুগুম অদুম লৈজগে হায়বসিদি লাল্লি হায়না খন্দে ঐহাক্কী ৱাখলদদি। মসিদি অচুম্বা খোঙথাংনি। পান্দম অসিদি ঐখোয়গী লৈরিবা পোলিটিকেল পার্টিশিংনফাওবা ফোংনা ইন্দিয়াদা হায়বা য়ারিবা ৱাফমনি। মখোয়না মখোয় মখোয়গী ফম মাঙখিগনি নৎত্রগা ইন্দিয়ন লৈঙাক্না মখোয়বু জেলদা থমজিনবীগনি হায়না কিবদগী হায়দবগী ৱাফম ওইরমগনি। নৎত্রগনা ওইথোক্লোইদবা পান্দমনি কায়না খন্দুনা নৎত্রগা কংলৈপাক্না তোঙান লৈদুনা করি চাগদৌরিবনো কায়না খনবা ওইরম্বসু য়াই। অদুবু মীচম মীয়াম কয়া অমদি নি-নিদুনা চাবসিদি খিরম্লনি হায়না খল্লি, মরমদি থাদরক্লিবা অচৌ অচৌবা শেনফমশিংদি মীচম মীয়ামদদি য়ৌদবনিনা। শেনফমশিংদুনা য়ৌরিবদি মিনিষ্টর ওইবা, অচৌ অশাং, থিকাদারশিং মখোয় মখোয়দা খক্তনি, মখোয় মখোয়না দোলান মথোল মথোল শাগৎপা, কার অহন অহনবা, অতাঙ-অতাঙবা তোংবা অদুগা মীয়াম্না হা হা কাম্না নোংমগী চারা অনী ফাওবা শুনা চাবা ঙমদনা হিংবা।

য়েংবীয়ু, হৌজিক হৌজিক ঈশিং ঈচাউ থোক্তুনা হান্নদগী ৱাদুনা লাক্লবা মীচম ইরৈচাশিং অমুক্না হেন্না ৱাগদৌরি। ঈচাউ থোক্তনবা শেঞ্জাও কয়া থাদদুনা পাল্লিবা লৈঙাক্না হোৎনখি অদুবু মায় পাকপা ঙমদ্রে। লম্বী থোং শেম্নবা থাদরকপা শেঞ্জাউ ময়াম অদুসু লম্বী থোংদি ফত্তবা অদুগা শেলদি লোইশিনখিবা। মসিদনি ঐহাক্না হায়জরিসি সেন্তরদগী শেঞ্জাও থাদরকপসি মীচমদদি হরাউনীংঙাই করিসু লৈতে, মরমদি কান্নবসি অয়াম্বনা য়ৌদে মীয়ামদা। মসি হান্না হান্নগী লৈঙাক্তগী অসুম্না অদুম লাক্লবনি। অদুবু অদুক্কী মতিক লৌরুবগী মহয় ঐখোয় তুং কোয়না শিংবা তাবনি ইন্দিয়াদা। লোক্তাক প্রোজেক্টতা মৈ পুথোকই অদুগা ঐখোয় ইরমদমদদি মৈ ফংদে, মসিনি লৌশিল্লুবা শেল ময়ামসিগী পোৎলূম্না মীয়াম্না ফংবা অদুগা লৌথোকপনা ... ময়াম অদু খঙবীরো।

লোইশিল্লকপদা হায়জনীংবদি নীংতম্বা হায়বসি ফুরুপ খুদিংমক অমদি লৈপাক খুদিংমক্না পাম্মী। অদুবু তাল্লিবা নীংখা তম্বা অদু চুম্ব্রা, লানব্রা হায়বগী ৱাফমসি হংফম থোকই। টাইৱান্দা তাল্লিবা নীংতম্বা অসিদি পোলিটিকেল বেনিফিট খক্তগীনি হায়নীংই। মালেমগী মফম কয়াদা মখোয় মখোয়গী ওইবা ফুরুপশিংগা পূনশিননবা হোৎনরি। ঐখোয় মৈতৈ/মীতৈদসু য়েংবিয়ু, বাংলাদেশতা, বর্ম্মাদা, অসাম, ত্রিপুরা অমদি অতৈ অতোপ্পা মফমশিংদা লৈরিবা ইরমদমদগী হৌখিবা ইচিন ইনাও, ইচে ইচনশিংগা উন্নদুনা, মতেং পাংনদুনা পূনশিন্নবা হোৎনরি। অসিগুম্বা তাঞ্জাসিদা টাইৱানগী রুল্লিং পার্টিসিনা চাইনিজশিংবু তোঙান তোঙান, মচেৎ মচেৎ থুগাইদুনা নুংশিনদনবা হোৎনবদি অফবা, অচুম্বা খোঙথাং নত্তে হায়জনীংই। অদুবু ইরমদমদা তাল্লিবা নীংতম্বদি চুম্ব্রা হায়না খল্লি হীরম কয়াদা য়েংলুরগা। অহানবদা মফমদুদা কংলৈপাকসি লৌশিনখিবনি। অনীশুবদা ম্যেনলেন্দশিংগা ঐখোয়গা মান্নবা হীরম অমত্তা য়াওদে হায়বা য়াই। অহুমশুবদা, ম্যেনলেন্দশিংনা ঐখোয়বু ইকায় খুম্নবিদে, ঐখোয়গী নাৎ, লোল, চিঞ্জাক চৎনবীবু করিসু উশিৎতনা তৌবী। মরিশুবদা, নীংতম্বা পাল্লিবসি য়াওল্লূপ খক্ত নত্তে, মীচম মীয়াম কয়া অমসু ইন্দিয়াগা পূন্দুনা লৈবসি পেন্দবা ময়াম অমা য়াওরবনি হায়বসি সোসল মিদিয়া কয়াদগী খঙবা, তাবা, উবা ঙম্মী। ফোংনা হায়দোকপা ঙমদবগী ৱানি। মঙাশুবদা, হৌরকফম মান্ননা, মতম কুইনা পূন্দুনা লৈমিন্নরকপা লৈপাক অমদগী ইনৌ নৌনা তোঙান্না অনৌবা লৈপাক অমা শেমজদুনা লৈজগে হায়বদি নত্তবনা ইরমদমগী য়াওল্লূপশিংনা তাল্লিবা পান্দমসি চুম্মী হায়না লৌবা য়াই। ইরমদমগী নীংতম্বা তাল্লিবদি হান্না কংলৈপাক্না লৈজরম্বা ফীভমদুদা অদুম লৈজগে হায়বনি। মসিদা করি অরানবা য়াওগদৌরিবনো? মসিদি ওপোজিসন্দা লৈবিরিবা পোলিটিকেল পার্টিশিংনফাওবা ফোংনা, থৌনা ফনা হায়বা য়াই ইন্দিয়াগী লৈঙাক্তা। য়েংগদবনি মদুদা ইন্দিয়ানা করি হায়না খুম্লকপগে হায়বদু। ইন্দিয়ানা ইরমদমগী য়াওল্লূপশিং লোগী মায়োক্তা চৎপা কাঙবুনি হায়না লাউথোকপদি বৃটিশনা ইন্দিয়াগী ফ্রীদম ফাইটর কয়া অমা মখোয়গী লোগী মায়োক্তা চৎলি হায়দুনা জেলদা ফাজিন্দুনা থমখিবদুগা চপ মান্নে। অচৌবনা অচুম্বা শকপা অদুগা অপীকপনা অরানবা তাবা হায়বসিদি মহৌশানি। চুম্বা লানবা হায়বসিসু অচৌ অপীক্তা লৈরে হায়গদৌরিব্রা...?